এস টি লিষ্টতা ...

লামায় ১গী মখা... মীতৈ/মৈতৈশিংনা চীংদা চৎলগা খুন্দাবা য়াদবা অদুগা চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা মফম পুম্নমক্তা খুন্দাবা য়াবা অসিগুম্বা কিনীংঙাই ওইবা অমসুং মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ অসি মুৎখিগদ্রা হায়না চিংনবা লৈবদগী সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা তাল্লিবা দিমান্দসিদা য়ুনিটি খুরাইনা শৌগৎতুনা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসি চথবনি হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা নো এস টি, নো ভোট, ৱি দিমান্দ কন্সটিট্যুসনেল রেকগনিসন ওফ দি মীতৈ/মৈতৈ ইন দি সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্ট, ৱি দিমান্দ এস টি ষ্টেটস ফোর মীতৈ/মৈতৈ, মীতৈ/মৈতৈ এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বনচিংবা ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

অমরোমদা লাইরিকয়েংবম লৈকায় ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, আর এ য়ু, ঐচ ৱাই ও, ঐচ য়ু, য়ু ৱাই সী, ৱাই পি য়ু, ৱাই দি ও অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী খোঙজংশিং শৌগৎলদুনা লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাবীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.750323
US Dollar	74.234243
British Pound	99.801428
Australian Dollar	53.702327
Chinese Yuan Renminbi	11.623069
Japanese Yen	0.651436
Malaysian Ringgit	17.764058
Singapore Dollar	54.525316
South Korean Won	0.062510
Saudi Arabian Riyal	19.795798
Thai Baht	2.261505

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48705.00
Mumbai	–	Rs	49680.00
Delhi	–	Rs	49530.00
Kolkata	–	Rs	49930.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPT18/10/21
VALID FROM12/10/21
HOME DELIVERY ONLY... CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00am to 2:00noon
BOOKING: UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156(SMS/ WHATSAPP) 7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
KHORIPHABA NAMBOL
Bk. Uptodate
Timing:6am to 10am
Home delivery no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and
contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 09/11/2021
Valid from 15/10/2021

সোনালিকা ত্রেক্টরসকী শো রুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মীয়ামদা সোনালিকা ত্রেক্টরশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা ত্রেক্টর অসিগী শো রুম-এম/এস ৱায়াগ্রিম অন্দ্রো পার্কিংদা হাংদোকখ্রে।

ঙসি শো রুম অসিবু এম/এস ৱায়াগ্রিমগী প্রোপ্রাইটর দব্লিয়ু প্রিয়োকুমার অমসুং ইন্টরনেসনল ত্রেক্টরস লিমিটেদ (হোসিয়ারপুর), পঞ্জাবকী রিজনেল সেলস হেদ মেনেজর রজিব বরুৱানা পূন্না হাংদোকখিবনি।

শো রুম অসি হাংদোক্লদুনা প্রোপ্রাইটর দব্লিয়ু প্রিয়োকুমারনা হায়, লৌউ-শিংউবদা চঙবা পোৎচং অমা ওইরিবা ত্রেক্টরশিং লৌমীশিংগীদমক্তা ফংহন্দুনা লাকখিবনি। ত্রেক্টর হায়রগা মসিগী কম্পেনি য়াম্না লৈবনা মসিগী মখলসু য়াম্মী। অদুবু ঙসি হাংদোক্লিবা শো রুম অসিনা হোর্স পৱার মশীং য়াম্বা ত্রেক্টর মখলগীনি। শো রুম অসি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু হাংদোক্লবা হোৎনরি। লোয়নননা অহোঙবা মমলদা ফংহন্নবগী পান্দমসু থল্লি।

মরম অসিনা লৌমীশিংগীদমক্তা খুমাঙ চাওশিন্না পোথোক পুথোকপা ঙমহন্নবগী পান্দমদা শেল চঙনা লৈবগী মহুত্তা মণিপুরদগী মমল হোঙনা ফংহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ইন্টরনেসনল ত্রেক্টরস লিমিটেদ, নোর্থ ইষ্টকী হেদ সর্ভিস কৈলাস দাসসু শরুক য়াখি।

মণিপুর কায়বা য়াবা দিমান্দ, এজিটেসনশিং থেংনগনি ...

লামায় ১গী মখা... চথহল্লিবা অসিমক লৈঙাক অসিদা মীয়ামগী থাজবদু লৈখিগদ্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি। হিল এরিয়া কম্মিটিনা হৌজিক লৈরিবা এ দি সী অসিনা তৌজবা থবকশিংদা অৱাৎপা কয়া লৈরে হায়দুনা হেন্না এম্পৱার তৌনবা বিল অমা পুখৎনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা হৌখিবা ওগষ্ট ২৫, ২০২১দা ষ্টেট লৈঙাক্লা শেমখিবা কম্মিটি অমনা হৌখিবা চহী ১০গী ওইবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা থাদখিবা একচুএল দিভেলপমেন্ট ফন্দশিং থাদোকখিবা অমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ওইবা অশেংবা এক্সপেন্দিচরগী কম্পরিজন অমা তৌদুনা চীংদা থাদবা দিভেলপমেন্টকী শেন্থংগী ওইবা হ্বাইট পেপর অমসু মণিপুর মীয়ামদা খঙহনখিবা লৈরে। লাইবক থীবদি ইলেক্টেদ মেম্বর অমা ওইনা হিল এরিয়া কম্মিটিগী মেম্বরশিংদগী হ্বাইট পেপর অসিগী মতাংদা ওপিনিয়ন অমত্তা লৈখিদে অমদি ষ্টেট এসেমব্লিদা নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনেল্লি নৈনবা য়াবা মফম চাবা জগা অমদা নৈনগদবনি হায়বা প্রপোজেল অমত্তা লৈখিদে হায়রি।

মীয়াম্না ইলেক্টেদ লিদর অমদগী এক্সপেক্ট তৌরিবসি মীয়ামগী মীৎ নাকোং ওইদুনা মণিপুর অপূনবগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা ৱারেপ অমদি নৈনফম ওইরিবা এসেমব্লি অসিদা লিদরশিংনা মতিক-মরম চানা মীয়ামগীদমক পুখৎলকপদুনি হায়রদুনা চেরোলসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ইলেক্টেদ মেম্বরশিংগী ওইবা পোলিটিক্স অসি মণিপুর অপূনবগী ওইনা তৌরকপা মতমদা মণিপুর মীয়াম্না য়েৎকদবা লৈতে অমদি য়েৎখিবসু লৈত্রি অদুবু য়াম্না লাইবক থীবদি মণিপুরগী চীংগী অমদি তমগী হায়না তোখায় তোখায় খাইদোকপা পোলিটিক্স অসিনা য়ুম্ফম ওইরগা ঐগী ফুরুপকী ওইবা অপূনবনা খঙমিন্নবদা ৱাৱবা য়েৎনগদবা পোলিটিক্স অমদি দিমান্দ কয়া পুখৎলকপা অসিনি। হায়রিবা অনেম্বা থাক্কী তোখায় তোখায় তাবগী পোলিটিক্স অসি য়ু সী এমনা মতম পুম্নমক্তা কৃপ্লা য়েংদুনা লৈরি, কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন অমনা অপূনবগী ওইবা দিমান্দ অমা তৌরকপা, এজিটেসন অমা হেক্ত লাকপা মতমদা য়ু সী এম অমদি য়ু সী এমগী য়ুনিটশিং, কম্পোনেন্ট, সবসিদরি ওর্গনাইজেসনশিংনা সপোর্ট তৌনবা শেম শাদুনা লৈ, অদুবু কাঙলূপ নাইবা অমদি অপূনবগী মায়োক্তা লাকপা এজিটেসন অমদি দিমান্দশিংদি য়ু সী এমনা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।

ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মণিপুর মীয়াম্না থাগৎখিবা লিদরশিংনা অপূনবা মণিপুর নত্তনা তোখাই তোখাই তাবা য়াবা মখল অমত্তগী দিমান্দ মীয়াম্না য়াফম থোক্তে। য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা মতাং মতম কয়াদা মণিপুর কায়বা য়াবা দিমান্দশিং ষ্টেট ৱিদিন এ ষ্টেট, নেসন ৱিদিন এ নেসন, ওইবা য়াবা দিমান্দশিং অসি থেংনদুনা লাক্লি অমদি মণিপুর মীয়ামগা লোয়নননা পূন্না থেংনগনি হায়বসিনি।

আপীল তৌজনীংবা অমনা চীংগী অমদি তমগী ফুরুপকী ওইবা মণিপুর অপূনবগী দিমান্দা এনি ফোর্ম ওফ এজিটেসন য়ু সী এমনা সপোর্ট তৌজদুনা লাক্লি অদুবু মণিপুরদা নুংশিননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কয়াবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা পোলিটিক্স তৌদুনা বন্দ অমদি ব্লোকেদকী ওইবা এজিটেসনশিং অসিদি লাইবক থীবনি। ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা মফম চাবদা নৈননবা পুখৎপগী মহুত্তা মণিপুর অপূনবগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা দিমান্দশিং অসি লম্বী লমখাং অমদি নেসনল হায়ৱেদা পুথরক্লুনা মীয়ামদা অৱাবা অপনবা পীবা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না লাইবক থীবনি অমদি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা তোখায় তোখায় তানবা লম্বী শেম্বগা চপ মান্নে, মসিদগী মণিপুর মীয়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর অসি অপূনবা মণিপুর মীয়ামগীনি অমদি মণিপুরগী ওইবা অপূনবগী এজেন্দাশিংদা তৌরকপা ফুরুপ খুদিংমক্কী দিমান্দবু সপোর্ট তৌগনি অমদি তৌদুনা লাক্লি অদুবু কাঙলূপ অমদি ফুরুপ নাইবা মওংদা তৌরকপা, মণিপুরবু তোখায় তোখায় তাহনবা য়াবা দিমান্দশিংদি য়ু সী এমনা কৃপ্লা য়েংশিল্লি অমদি অকনবা মওংদা থেংননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পোজিটিভিটিগী চাং অমুক ৱাংখৎলক্লে

লামায় ১গী মখা... দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ৪, জেনিমসতগী ৩ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ২২ য়াওরি হায়রি। নৌনা থেংনরিবা পোজিটিভ কেস ৫৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২৪,৯১৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন ১,২০,৫০০ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল ৪,৪১৮) শুবগা লোয়নননা অপূনবা ফগাৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২২,২৭৪ (জেনরেল পোপ্যুলেসন ১,১৭,৯৩০ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল - ৪,৩৪৪) শুরে হায়রি। অদুগা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৬৮২ (জেনরেল পোপ্যুলেসন ৬১৩ অমসুং সী এ পি এফ পর্সনেল ৬৯) লৈবগা লোয়নননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৮৮ য়ৌরে হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৫১৭ অমসুং বি টাইপ ১২২নি হায়রি। লোয়নননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৫৬৪৪ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীং ২১,০৩,৩০১ (ফষ্ট দোজ - ১২,৬৯,৮১৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৮,৩৩,৪৮৪) শুরে হায়রি। লোয়নননা ঙরাং নবেম্বর ২০, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোল্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৬.৩২, অনীশুবা দোজ ৪০.৫৬, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৪.৩২, অনীশুবা দোজ ৪৩.০৪, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৫.৪৮, অনীশুবা দোজ ৩৭.৩৮, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৭.৫২, অনীশুবা দোজ ৪৫.৫৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭০.৮৩, অনীশুবা দোজ ৫১.০৩, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩০.০৮, অনীশুবা দোজ ২১.৫৯, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৬.৭৮, অনীশুবা দোজ ২৪.০৪, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৬.০৮, অনীশুবা দোজ ২৮.২১, উখ্রুল অহানবা দোজ ২১.২৭, অনীশুবা দোজ ১৫.৫১, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৪.১৪, অনীশুবা দোজ ২৩.৭৪, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৭.৮৩, অনীশুবা দোজ ১০.৪৮, কামজোং অহানবা দোজ ২৯.৭৩, অনীশুবা দোজ ১৯.০১, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭০.৩১, অনীশুবা দোজ ৫৩.৪০, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩১.৯৫, অনীশুবা দোজ ২৭.২২, নোনে অহানবা দোজ ৩৬.৩১, অনীশুবা দোজ ২৩.৯৯, ককচীং অহানবা দোজ ৭১.০২, অনীশুবা দোজ ৪৪.৭৫নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৪.২৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোল্লবশিংগী চাংনা চাদা ৩৫.৬০নি হায়রি।

শেল খরা পায়রগা ভোট লেপকনি থোরকপনা ...

লামায় ১গী মখা... লৈরিবা ফুরুপশিংনা করি পান্মী, করি তৌগনি হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা মণিপুরদা পুরকপগী মথৌ তারি। মসি তৌদ্রিবা ফাওবা মণিপুর ঈংলোই। অদুবু হায়রিবশিং অসি কনানা পুরক্কনি হায়রবদি ফাউন্দেসন য়াওদবা, প্রিন্সিপল য়াওদবা অমসুং নৌনা শেল খরা পায়রগা ভোট লেপকনি হায়না থোরক্লিবা কাঙবু অমসুং ভিজন য়াওদবশিং অসিনদি কৈদৌনুংদা পুরকপা ঙম্লোই। তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনরকপা অমদি মসিগীদমক থবক পায়খৎলকপা চহী ২০ লোম শুরে হায়রদুনা সহিদ মিনর মখোঙদা শীংজং পায়রগা ৱাশকখিবা অদু ঐখোয়নি। শীংজং খক পায়রগা ৱাশকখিবা অদুননি মতম অদুদা মহাক্লা পৱারদা লৈবা ঙমদবদগী তাংলগা, নপ্লগা লৈবদগী থবক তৌবা ঙমখিদবনি হায়খি।

হৌখিবা চহী মরি মখায়সিদা তৌরক্লিবা থবক ময়াম অসি য়েংবীয়ু। মরমদি ঐখোয় ইকায়খুম্নবা য়াওনা হিংদবা য়াদে। ঐখোয়গী ইচাশিংবু মখোয়গী ফূফম নত্তে, মখোয়গী লল্লফম নত্তে অমসুং মখোয়গী শান্নফম নত্তে। ঐগী ইমাবু মখোয়না উশিত্তবা য়াব্রা। অদুগুম্বা ঐখোয়গী পোলিটিক্সনি। ঙসি ইমাশিংদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংবা কনা কনা থোরকই। ইচল-ইচে অমদি ইচাশিংদা উশিত্তনা য়েংবা কনা থোরকই হায়বা ৱাহংসু হংখি। মরমদি ঐখোয় ঙসি ইমাশিং অমদি ইচল ইচেশিংগীদমক লেপ্পুনা লৈরি। ঐখোয়না লেপ্লগা লৈরি হায়বসি লৈবাক পূম্বনা অমদি মালেম পূম্বগী মীয়াম্না খঙই। শোল্লবা মতমদা কাঙবু অমনা করিনো অমা শোয়দনা তৌরক্কনি হায়বসু লোইনা খঙই হায়খি। লোয়নননা লৈবাক্তা শীংনরক্লবা, ঐখোয়গী ইচে ইচলশিংদা শীংনরক্লবা লেম্না খক থারোই। ঐখোয় তূমিন্না লৈরোই হায়খি। পোলিটিক্স হায়বসিদি ময়ামদগী তোঙানবা অমনি। পোলিটিক্স হায়বসি ঐনা য়ুনিভর্সিটিদা ওজা ওইরুরবনি হায়দুনা লাক্লগা হেক্ত য়ারোই। মসিগীদি য়াম্না তোঙানবা স্কিল অমসুং চেলেঞ্জ পোকপদগী য়াওরক্কদবনি। করম্বা ক্বালিটি লৈবা মীয়াম্বু করম্না নুংশিগদগে অমসুং মীয়ামগী অৱাবা মতৌ করম্না উাদগে। লোয়নননা মীয়ামগী অৱাবশিং অদু মতৌ করম্না কোকহনগদগে হায়বসি মশাদা পোকপদগী য়াওরক্কদবা ক্বালিটিনি। মীয়াম্না লাইরিক য়াম্না হৈবা মথৌ তাই। লাইরিক হৈতবনা পোলিটিক্সকী মমায় লেপ্তে। পোলিটিক্সকী মমায়দি মাগী লৈঙাকলোন অমসুং মহাক্লা মীয়াম্না য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি মমা লৈবাক্কীদমক য়েংলিবা মীৎয়েং অদুদা খরা শান্না য়েংবা চঙই হায়খি।

চীননা অমা, খূৎনা অমা তৌবা পোলিটিক্স পামদে হায়রদুনা ঙমলোইদৌবদা ঙম্লোই হায়য়ু অদুগা ঙমগদবা ঙমগনি হায়য়ু হায়খি। পুলিস আউট পোষ্ট অমা হায়বদু শাগনি। হেন্দলুম ক্লষ্টরগীসু মরী লৈনবশিং কৌরগা য়েংহল্লগে, প্লেগ্রাউন্দ অপগ্রেদেসন তৌবগা মরী লৈননা মিনিষ্টর কৌরগা তানরগে, টুরিষ্ট স্পোট অমা শাবগী ৱাফম অদুদি চীং শোকহন্দনা এম এল এগা তানরগা থবক ওইনা পায়খৎনবা য়েংশিনগে হায়খি। অদুগা পি ঐচ সী অমা থম্বালখোংদা শারগনি হায়বগা লোয়নননা ভোট শোয়দনা কাহনবীয়ু, মানা ঙম্বা থবকশিং অদুম তৌরগে হায়খি।

লোয়নননা ইমা ইপা অহল ওইরবশিংদা ওৎ নৈবগী থবক লোনা য়াদে। মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌরগনি, ময়াম চেকশিনবীয়ু। অহল ওইরগা ইস্থোকপা, চাক পীজ দবা লৈরবদি মদুগী রিপোর্ট পীবা ঙম্বা ক্লবশিংদা লুপা লিশীং ৫০গী রিৱার্দ পীগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবনি হায়বগা লোয়নননা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাটসএপ পুং ২৪ হাংদুনা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ, এন ইন্দ্রজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী প্রসিদেন্ট ওইনাম লক্সমোননচিংবনা শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ কার্দ অমসুং মহৈরোয় খরদসু সাইকল য়েন্থোকখি।

সুগুনুগী এগ্রিকলচর প্রদক্টশিংনা মণিপুর চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংহল্লোই ...

লামায় ১গী মখা... বি জে পি পার্টিশিংগী লৈঙাক্লা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তান্নবা শিন্দুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা হিংলিবা মীয়াম পুম্নমক মশাগী রিসোর্সনা হিংবগী ৱাখল কাউথোকখিদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পিজদ্রবদি হিংবা ঙম্লরোই খলকপনা, নোংমদি লমদম অসি য়েলহৌমী খুদিংমক মাংখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। পুম্নমক অসি থেংননবা ইন্দিয়াগী ওইনা অহুমশুবা রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা 'মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)'দা মীরেপ ওইরগা মীখল থেংননবা থোকচরকপনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি চাওখৎ খোঙথাংগী থবকশিং পায়খৎপা ঙমদ্রে। পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা চাওখৎ-থৌরাংগী ৱা ঙাঙবদা ওইনা চৎথদুনা লৈরে। বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামদা ঙাঙথোকখিবা থবকশিং থবক ওইনা উৎথোকচবা ঙমদ্রে। মীয়ামদা ওইদবা ঙাঙবা লৈঙাক পায়বা পার্টি অমা ওইনা ঙসিদি ঙাঙনরক্লে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীংদা চৎলু অমসুং খুঙ্গংদা চৎলু হায়বা প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপদা অচৌবা শেনফম মাঙহল্লি অদুবু খুঙ্গং অমসুং চীংদা চৎসি হায়বা প্রোগ্রাম কয়া চৎখ্রবসু চৎলুরিবা খুঙ্গংশিং অদুদা কান্নবা করিমত্ত পীখিবা লৈতে। বি জে পি লৈঙাক্লা ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট অসিগী লৈবাক পায়রিবশিংনা লাওথোকখিবা য়ুম লৈজদ্রবা লায়রবশিংগী য়ুম শাদুনা পীগনি, লায়রবশিংগী জিরো একাউন্টদা লুপা লাখ ১৫ হাপ্লিরগনি, থবক ফংদবা নহা ক্রোর ২ চহী অমগী মনুংদা থবক ফংহনগনি, লায়রবা য়ুমথোং খুদিংদা লেমনা গ্যাস ফংহনগনি, মীয়ামগী লায়েংনবগীদমক লুপা লাখ ৫ পিগনি, রিমসপু এমসকী থাক্তা ওন্থোক্কনি হায়খি। লোয়নননা লম্বী-থোং, এগ্রিকলচর সেক্টরশিং, এদ্যুকেসন সেক্টরশিং অমসুং হীরম খুদিংমক্ত অহোংবা পুরকপা লৈঙাক ওইরে হায়রি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্ত বি জে পিনা পানবা লৈঙাক লৈনা-লৈনা ষ্টেট অয়াম্বদা সেভেন্থ পে পিখ্রগা মণিপুর ষ্টেট অসিদনা পীথোক্তনা লৈরিবা অসি ইকায়নিংঙাইহনি। মরম অদুনা বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়ামগী থাজবা লৈঙাক অমা ওইদ্রে হায়না লৌই। দিসক্বালিফিকেসনগী মতাংদা হায়জনিংবদি এম এল এশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা-লৌখৎতবা হায়বদুদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা পীরিবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না দিসক্বালিফিকেসন তৌবা-তৌদবা লেপ্পদুনা লৈবাক্কী অফবা ওইগনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফমদা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : লাক্কদৌরিবা মীখল অসি ইন্দিয়াগী রিজনেল পার্টিশিংগী অহুমশুবা পার্টি অমা ওইরিবা অমসুং কুমজা ১৯৭২, ১৯৭৮ অমসুং ১৯৯০দা মীয়ামগী থাজবা পীদুনা লৈঙাক অহুমলক পায়খ্রবা মণিপুর পিপল্স পার্টি (এম পি পি)গী মীরেপ ওইনা সুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীরেপ ওইনা পার্টিগী হৌনবী মতুংইন্না লাউথোকখ্রে। কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনগী মীখলদা বি জে পিগী নেসনল ইস্যুশিং, ষ্টেটকী ইস্যুশিং অমসুং লোকেল ইস্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংননবা শেম শারে। মণিপুরগী পাকচাওবা ২২,৩২৭ অসিগী মনুংদা তম্পাক্কী শরক্লা ২,২৩৮ কিলোমিটর অসিদা চীং তম হায়না লৈঙাক অনী লৈহন্দনবা অমসুং হিল ষ্টেট লাউথোক্তুনা লৈঙাক্কী লো অমগী মখাদা ষ্টেট অসিগী শেনমিৎলোন ফগাৎহনবা মথৌ তারি। অৱাৎপতনা পীক থল্লবা সুগুনু এ সী অমা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা চহী ৭২ রোম এ সী অসিগী মীয়াম্না মায়োক্লরক্লিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবা মথৌ তারি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা মীয়ামগী থাজবা থম্বিরক্তুনা ভোট কারবদি সুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি মোদেল এগ্রিকলচর এ সী অমা ওইনবগীদমক চহী চুপ্পা ঈশিং ফংহন্নবগীদমক সেরৌ চকপি তুরেলদা, মরাম্বা মরিলদা, পাঙ্গলতাবি-পাখংবা মরিল মহৌ তেরা লোকনচিংবা মফমশিংদা দাম শারগনি। ককচিং খুনৌ তরং তুরেল, মুকলাংবা মরিল, কোসান্তবী লোক মরিল, সগুনু লোকলিল মরিলদা দাম শাদুনা এ সী অসিগী লৌবুক পরি লিশিং কয়াদা ঈশিং ফংহন্দুনা লৌরোক অনীরক পুথোকপদা নৎতনা নিংথম মহৈ মরোং কয়া পুথোক্লবা থৌরাং পায়খৎকনি। করিগুম্বা ঈশিং ৱাৎলবসু ইম্ফাল তুরেলদা লৈরিবা অৱাৎপা লৈত্রবা ঈশিংশিং চিংখৎতুনা এ সী অসিগী লৌবুকশিং লেপ্পা লৈতনা পোৎথোক পুথোকপা লৌবুকশিং ওইহনগনি। সুগুনু এ সীগী পোৎথোক্লা মণিপুরনা চিঙ্গাক্কী মীপাল তাংলিবসি খরা মখৈ হন্থহনবা ঙম্নবা হোৎনগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা শুবা-নোম্বা কনবা মীয়াম খুদিংমক লায়রবা লৈতবা চপমান্ননা হিংমিন্নবা খুন্নাই অমা ওইহনগনি। সুগুনু এ সী অসিদা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা, লম্বী-থোং ফৎতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা, এদ্যুকেসন সেক্টরদা অৱাৎপা লৈরিবা, হেল্থ সেক্টরদা অৱাৎপা লৈরিবা, নুপী অমসুং অঙাংশিংদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরিবা, মৈ ফংদবগী অৱাবা লৈরিবা, থবক ফংদ্রবা নহারোলশিংগী পোলিসি লৈত্রিবশিং অমসুং এ সী অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী শেনমিৎলোন ফগাৎহনবদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা অৱাবশিং অসি লৈহন্দনবা হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরব্বদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মণিপুরনা বৃটিস লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা চহি ৫৬ মীনাই নাইথাং ওইরুবদগী অমুক হন্না নিংতম্বা ফংদুনা চহী খরা লৈরুরবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পুনবা (১৯৪৯-২০২১) ফাওবদা চহী ৭১ মপুং ফারক্লে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা শোৎথনা লৈহৌরিবগী মরমশিংদি নিংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরম্বা মণিপুরবু ষ্টেট অমা ওইহনবগী মহুৎতা পার্টি-সি ষ্টেট ওইনা চহি ২২ কোংগ্রেস লৈঙাক্লা থমখিবা, কুমজা ১৯৫২গী অহানবা এম পি ইলেক্সনদা চীং-তম অনী খাইদোক্তুনা তম্পাক্কী এ সী ৮ চীংদা য়াওহল্লগা ভোট থাদবদি য়ারগা ভোট লেপ্পদি য়াহন্দনা চহী ৬৯ থল্লকপা, কুমজা ১৯৫৩দা মণিপুরগী লম ৱর্গ মাইল ১,০০০ পাক চাওবা কবো তম্পাক কোংগ্রেসকী লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা কবো তম্পাক কোংগ্রেসকী লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা ম্যান্মারদা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা পিথোকখিবা, মণিপুরদা এম এল আর অমসুং এল আর এক্ট ১৯৬০ চৎনহল্লগা চীং তম অনী চংনদবা অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈঙাক অনী থল্লকপা, কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা আর্মদ ফের্সেস স্পিসিএল পৱার্স এক্ট ১৯৫৮ থমজিন্দুনা মণিপুর মীয়ামগী নিংতম্বগী রাইট নমশিন্দুনা থল্লকপা, মণিপুর তম্পাক্কী লৌফমশিং ঈশিং পিনবা থৌরাং মপুংফানা হোৎনবিদবা অমসুং মপান লৈবাক্কী চিঙ্গাক পীজরগা থল্লকপা, চাংগী লমশিং অসিদা মতমগা চান্নবা ষ্টেট রিসোর্স পুথোল্লবা হোৎনদনা লাকপা, মণিপুর অসি সেন্টরদগী নিরগা হিংবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরকপা চহি ৭২ শুরক্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু লম্বী-থোং অমসুং লৈঙাকপদা চংলিবা শেনফম খরা নৎত্রগা অহেনবা অচৌবা শেনফম অমত্তা লমদম অসিগী মীয়ামগী শেনমিৎলোন ফগাৎনবা পিরক্ত্রি। মরমশিং অসি লৈবনা মণিপুর ষ্টেটনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী শোৎথনা লৈহৌবনি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টদা এম এ, এম ফিল অমসুং দোক্টর ওফ ফিলোজোফি (দোক্টরেট)নচিংবা লোইশিঞ্জরে। ঐবু পোকপা অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা এস চড়াচান্দ মীতৈনি। মহাক 'ফ্রিদম ফাইটরনি'। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং প্রসিদেন্ট টাম্রা পত্রা এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা মীশকনি অমসুং সেরৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী অহানবা প্রধানসু ওইরমখি। অপোকপীগী মীংনা এস ওংবি ইবেমহল কৌই।

ৱাহং : মতম অমদা অদোম্না মহৈরোয়শিংগী লুচিংবা অমা ওইরিঙৈদা মীয়াম অমসুং মহৈরোয় খুন্নাইগী মশক নাইবা করি করম্বা থবক তৌরম্বা লৈবগে?

পাউ : ঐহাক ইম্ফাল কোলেজ বোয়জ কম্মন রুম সেক্রেটরি, এম য়ুগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী কাউন্সিলর, এম য়ুগী ষ্টুদেন্স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এমসুগী প্রসিদেন্ট ওইরক্তুনা মহৈরোয় খুন্নাইগী থবকশিং কয়া তৌরকখ্রে। নোট তৌদুনা মাঙলুরবা এদ্যুকেসন অসিবু এমসুগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা এদ্যুকেসন ২০০১গী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগা পুন্না হোৎনদুনা লাকখিবনি। ঙসি দি এম ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা অসিগী লমশিং কোংগ্রেস লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মচেৎ-মচেৎ য়োন্থোরকপবু থিংনবা খোঙজং চঙশিনখি। মদুদা লৈঙাক্লা সজিৱা জেলদা নুমীৎ ৩০ ফারগা থমখি। জেলদগী থোক্লবা মতুংদা 'দি এম কোলেজ অসিগী হান্না লৈজরম্বা লমশিং অমুক হন্না কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পিবা' হায়না লৈঙাক্কা য়ানচে অমা সাইন তৌনরগা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অদু হন্দোকখি। মণিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱার্স এক্ট ১৯৫৮-কী মরুমদা লালহৌবদা নামা থোংলগা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া এক্স গ্রেসিয়া লুপা ২০,০০০ পিরগা পংহাৎতা হাৎতুনা চহি কয়া চৎথরকখি। জোনস্তোন স্কুলদা তম্বা নেতাজিবু ককৱা বাজারদা কমান্দোনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্মী। অদুগুম্বা তমথিবা মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা থা অমা চুপ্পা অশিবা হকচাং লৌদনা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। ঙসি মণিপুর মীয়াম্না অশিবা হকচাং লৌদনা এজিটেসন তৌনরিবা অসি নেতাজিগী মীহাৎকী মতাংদা ঐহাক্লা এমসুগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা হৌদোকচরম্বনি। নেতাজিগী মীহাৎকী মতাংদা তৌখিবা এজিটেসনদা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী লুচিংলিবা এমসুগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ঐহাক্কা য়ানচে অমা সাইন তৌনরম্মী। য়ানচে অদুগী মতুংইন্না নেতাজিগী অশিবা হকচাং জোনস্তোন স্কুলদা পোলোইখি। নেতাজিগী মীহাৎকী মতুংদা মী হাৎলকপা খুদিংদা লুপা লাখ অমা এক্স গ্রেসিয়া পিবা, মীহাৎপা পুলিস কমান্দো অনী থবক্তগী লৌথোকপা, মীহাৎপশিংগী মথক্তা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌবা, ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন লিংখৎখিবা অমসুং আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱার্স এক্ট অমসুং পঞ্জাব সিক্যুরিটি এক্ট লৌথোকপা হায়বসি য়ানখি। রিশাং কৈশিংনা ষ্টেট কেবিনেটতা পুথোল্লগা পাস তৌবিদুনা থবক্তা ওন্থোকপিরমখি। লোয়নননা মণিপুরদা ষ্টেট লোটরি অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা পিরকপদগী মীয়ামগী শেল-থুম অসি কলহৌনবগীদমক ঐহাক্লা 'হুইয়েন লানপাউ' পাউচেদা কুমজা ১৯৯১গী ওগষ্ট ৬দা মণিপুর ষ্টেট লোটরিনা মীয়ামগী লন-থুম মাঙহল্লে হায়না নুমীৎ হুমনি থংন-থংননা পাউ ফোংখি। লোটরিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নরকপদগী মণিপুর ষ্টেট লোটরি মুথৎখি। মণিপুরদা ইথাই দামনা লৌ পরি লিশিং কয়া মাঙহল্লিবা অমসুং লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌরকখি। ঐহাকপু পোল্লফম পাউচেনা ইথাই ইবোমচা হায়বা মীংথোল ফাওবা পীবিরকখি। অসুম্না মহৈরোয় অমা ওইনা মীয়ামগী থবক কয়া তৌজরকখি। করিগুম্বা সুগুনু এ সীদা মীখলদা মায়পাক্লবদি মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিংগা পুন্না লমদম অসিদা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনগনি।

ৱাহং : মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইরিবা ফীভম অসিদা করম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিং চঙলগদি চাওখৎপা খুন্নাই অমদি য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্কনি খনবিবগে?

পাউ : মণিপুরগী পোলিটিক্স অসিদা অনৌবা মণিপুরবু মুন্না মশক খঙবা, পোলিটিক্সপু বিজিনেসনি খন্দবা, মশাগী ওইবা কৎথোকপা ঙম্বা, ভিজন লৈবা পোলিটিসিয়নশিং থোল্লকপা য়াম্না মথৌ তারি। ষ্টেট অসিগী চাওখৎপা অমদি চাওখৎহন্দবা হায়বসি পোলিটিক্স তৌগনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংগী মীৎয়েং মখাদা লাক্কদৌবা মরম্না মীয়াম্নসু ভোট লেপকনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংগী মনুংদা করম্বা মীনা মীয়ামগা তুং কোইনা চৎমিন্নবা য়াগদগে খল্লগা মশা-মশাগী চহী ৫গী রাইট পিরবা মতমদা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি খল্লি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর অসি অনৌবা হাপচিল্লগা লিশিং ২৮,০০০ শুরকপা য়াই। পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৫ নি। এ সী অসিদা নন লোকেল ভোটর চাওরাক্লা ২,০০০মুক লৈ।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : চুম্মী, পোলিটিক্স তৌবশিং মীয়াম্না ফনা ঙাঙনরক্রিবা অসি অশেংবা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগে হায়বা মশিং হন্থরকপা অমসুং পোলিটিক্সবু ললোনবগী মওংদা লাকপা অসিনসুনি। হৌজিক চৎথরক্লিবা পোলিটিক্স অসিদি নম্বর ফোরগী ললোন-ইতিক তৌগেরা, গুলি য়োনগেরা, অমোৎপা থবক তৌগেরা, মীয়ামগী অচৌবা শেনফমশিং হাৎকেরা অমসুং মী হাৎকেরা শেল য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা মীওইশিংবু মীয়াম্না অশেংবা পোলিটিক্স তৌবা মীনি হায়না লৌনরকপনা মখোয়না কারবা মতমদা তৌনিংবতা তৌরকপদা মীয়াম্না পেন্নরক্তবনি। অশেংবা পোলিটিসিয়নশিংদি মীয়ামগী অপান্বা খুদিংমক ফংনবা কৎথোক্কদবনি, ভোট থাদবদা মীয়ামগী পাউখোল্লোই লান্না খনখিবনা, ভোট কারগা এম এল এ ঠিকাদার ওইবতা নৎতনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লাকখিবনি। অদুমকপু মীয়াম্না ফনা উদ্রিবা পোলিটিক্স ওইজরগসু লৈবাক অমগী নৎত্রগা ষ্টেট অমদা করিগুম্বা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা অমসুং ষ্টেটতা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং লোইশিনবদা পোলিটিক্স য়াওদবা য়াদবা মরম্না ঐহাক ইশামক রিজনেল পার্টি এম পি পিদা ভোট লেপ্পগা লৈবাক অসিদা অওনবা খরা পুরক্লবা হোৎনরমগে হায়না চঙশিঞ্জরকপনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন হায়বসে লাই হাক্ততগী লৈরক্লবা পোৎশক অমনি। অদুমকপু এম পি পিনা কুমজা ১৯৭২দা অহানবা ওইনা লৈঙাক থা ১১ খক পায়বদা মণিপুরদা লৈঙাক্কী থবক হাপ্পদা চুম্না তৌনবা 'মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন' লিংখৎতুনা অফবা লৈঙাক অমা লৈন্নবা হোৎনরম্মী। কুমজা ১৯৭৪ অমসুং ১৯৯০দা অনীশুবা অহুমশুবা লৈঙাক পায়বা মতমদা করপসনগী থবক তৌরমদে। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা চহী ৬০ মুক পানবা মতমদা থবক হাপ্পদা অমদি হীরম খুদিংমক্তা করপসননা পীক থল্লবা ষ্টেট অমা ওইহল্লম্বনি হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়ান্নরবা ৱাফম ওইরি। অদুবু বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা চহি ৪ হেন্না লৈঙাক পায়রকপা মতম অসিদা কোংগ্রেসনা তৌরম্বা করপসনগী চাংদগী শরুক অনী হেল্লি হায়না মীয়াম্না ফোংনা ঙাঙনরিবসি ইকায়নিংঙাইহনি। করপসন মুথৎপা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী আইদিওলোজিগী মখা য়াম্না পোল্লি অমসুং লিদরশিংগীসু মখা পোল্লি। করপসন মুথৎপা হায়বসি অরুবা মেটর ওইহন্দবসু য়াই অমদি য়াম্না লুনা খনবসু য়াই। অদুমকপু পাল্লিবা লৈঙক অসিগী লুচিংবশিং অমসুং করপসন তৌনবা শেল পীরিবা মীয়াম্না থবক হাপ্পদা শেল পীনদ্রবদি করপসন মথন্তা তোক্লখিগনি। করপসন মুথৎপগী অরাইবা পান্বৈদি শেল লৌবা পাল্লিবা লৈবাক্কী লুচিংবশিং অমসুং শেল পীরিবা মীয়াম অনীগী মরক্তা ৱাখল তান্নরক্তুনা শেল পীবা লেপ্লবা মতমদতা করপসন মথন্তা মাঙজখিগনি।

ৱাহং : মণিপুরদা ভোট লেপকদবশিং অয়াম্বনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অমদি নেসনল পার্টিগী টিকেট তান্নে। অদোম্না করি মরম লৈবনা এম এল এ অমত্তসু লৈতবা রিজনেল পার্টি এম পি পিদা ভোট করিগী লেপকে হায়না খনবিরিবনো?

পাউ : চুম্মী, বি জে পি লৈঙাক অসি ইন্দিয়াদা চহী ১০ হেন্না লৈঙাক পায়রক্লে। ষ্টেট অসিগী ওইনসু চহি মঙা মপুং ফাগদৌরে। কোংগ্রেসনা চহি ৬০ হেন্না লৈঙাক পায়খ্রে। কোংগ্রেস অমসুং নেসনল পার্টি অনিনা পানবা মতমদা ষ্টেট অসিদা তৌরম্বা থবক্কা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না চহী ২ গা থা ১১ খক লৈঙাক পায়বা মতমদা তৌরম্বা থবক্লা শরুক মশিং থিঙমদনা হেল্লি হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না য়েৎননিংঙাই লৈতবা ৱাফমনি। মণিপুরদা তেল্লবসু তেননা মতম খরা এম পি পিনা লৈঙাক পায়রম্বদগী লমদম অসিগী মীয়াম মীকপ থোকহৌবনি। মরম অদুনা এম এল এ লৈতবা পার্টি অমা ওইরবসু অদুমক লৈরক্কনি। পার্টি খুদিংমক এম এল এ য়াম্না কারগা লাকখিবা নৎতে, ভোট লেপ্লগা কোন্না এম এল এ লৈরক্কদৌরিবনি। মণিপুর কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পোলিটিকেল পার্টিদি এম পি পি খক্তনি। পার্টি অসিদা থাজবা থমদুনা ভোট লেপলিবনি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি মণিপুর খক্কী নৎতে, ষ্টেট লৈঙাক্লা মীপুম খুদিংমকলৈঙাক্কী থবক পীবা ঙম্বসু ওইথোক্তে, ঙমসু ঙম্লোই। অদুবু হৌরক্লিবা নহাশিংগী শেন্থোক লম্বী অমদি য়ুথ পোলিসি অমা শেম্বিগদবনি। মণিপুরগুম্বা চীং লৈবাক অসিদা অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম অসি হন্থহনগে হায়রবদি টুরিষ্ট সেক্টর চাওখৎহনগদবনি, এগ্রিকলচর সেক্টরদা অনৌবা পোলিসি পায়খৎকদবনি, ফিসরিদা মোদেল মরিদা শেমগৎকদবনি, ফিশাবিশিংগী ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহনবা, চীংগী শরুকশিংদা উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা অমসুং শা-ষণ লোইদুনা শেল থুমগী ফীভম ফগাৎনবা হোৎনবা অমদি চীংগী লমদা ফংলিবা ৱাশিংবু মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙম্নবা পেপর মিল লিংখৎতুনা নহারোল লাখ কয়াদা থবক পীনবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি।

কিংদম
KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
APPLY NOW !
AVIATION COURSE
Starts from 20th Dec 2021
CABIN CREW, GROUND STAFF TRAINING
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe
Competitive Exam Courses
GFC (General Foundation Course), Banking, SSC, NDA, CDS, (State and Central Job Exams)
SPOKEN ENGLISH and COMPUTER CLASS for Children Class VI to X
COURSES AVAILABLE (for all ages)
SPOKEN ENGLISH, SPOKEN HINDI
COMPUTER (NIELIT), STOCK MARKET
Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 3 months at IT Call Centre as a Trainer
- 1 Month in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- 2 Months at AIR (All India Radio) Imphal
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
Special Coaching Class For Juniors (Both for Boys & Girls)
JNV (Novodaya), SAINIK (Class VI)
RIMC (Rastriya Indian Military College) Class VIII
Instructors:
Former Students of RIMC, SAINIK & JNV (Navodaya), Ex SSB Officer (Highly qualified & Experienced)
Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 7005157041
HL-B/7293/22nov.-19jan.(alt.)